ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯰꯲, ꯲꯰꯲꯳, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯷ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, দিসেম্বর ০২, ২০২৩, ইম্ফাল
৪৭শুবা চহী, ২৪৪শুবা মশীং

ক্বাক্তাগী নুংশিৎ নামিবা

নোংমৈ মখোল পুরক্লনুকো

'ক্বাক্তা' নঙবু লমনুংশি নহাক্কী নরাইবকসে ওন্থোক্লা থীখ্রেদকো! থা ৭ ফাজিল্লক্লবা মণিপুরগী খূৎলায় পায়বা-পায়দবা, নুপী-অঙাং খাক্তনা অউ-অউবা হাক্তোক্লবা, হিংচা-য়াইতম্বগী তমথীরবা লানসিসু নহাক্কী নশাইকোল ময়া তোর্ব্বুং বাংলাদগী ইহান-হান্না হৌরকখিবনি। লিশাং-শিংনা চপ্থরক্লিবা লানসিগী মনুংদা নহাক্কী নরুম থুপ্তুনা লৈজবা পীক্লিবা অঙাংশিং য়াওনা মীওই কয়া অশোক-অপন নংখ্রে। নহাক্না চুড়াচান্দপুর অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট অনীগী লংদাই ময়া নক্না লৈরুবনা অকনবা লাল্লকসিদা নহাক্তি ফিরাল য়ুম্ফম ওইরেদো। অদুবুনে ক্বাক্তা, নহাক্কী ঈংলবা মহৌশাগী নামিবা নুংশিৎতু অমুক হন্না শিৎলক্ত্রবসু কুকি মিলিটেন্টশিংগী বোম অমসুং নোংমৈগী মখোলশিংদি পুরক্লনুকো। ইম্ফালদদি দেল্লী চৎলুরগা হল্লকপা ফাওবদা মায় পাক্লবা খোঙচৎনিকা হায়দুনা ধুম-ধাম তৌবা হৌরক্লেনে!! তমথীরবা লানসি কুইর-কুইরগা য়াইরোংনা য়াইরোং, শবিরাইনা শবিরাই হায়বগী ফীভমদা লৈরক্লে। লৈবাকসিগী ষ্টেট ৫গী এসেমব্লি ইলেক্সনশিং পাঙথোকপা লোইশিনখ্রবনিনা খূৎনা লাম্বা ফংজিল্লক্লবা পার্লিয়ামেন্টকী মীখল ঙাইঙমদবা, ইলেক্সন অসিগীদমক ঈখৌ লাংবা মানবা থৌওংশিং চপ্থনরক্লে। মফম কয়াদা য়ূম-কৈশিং মৈনা তুম্না থাদোকখিবদগী নুপী-অঙাংশিং য়াওনা মীওই কয়া হৌজিক 'ইন্টরনেল্লি দিসপ্লেসদ্ পর্সন্স' (আই দি পি) গী মিংথোল ফংদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরক্লগসু মখোয়বু অমুক হন্না মশাগী ময়ূম-ইশ্খোলদা হঞ্জিনবা য়ানবগীদমক লান অসি লেপহন্দুনা লোইশিন্নবগী থবক্তদি হোত্রোং-হোরি। ঙমদ্রগনা ঙমদ্রেসু হায়দ্রি, অঙম্বা য়ুনিয়ন লৈঙাক্তা তকশিনবসু ঙমদ্রি। লানসিগী ৱারোইশিনগীদমক মীয়াম অমসুং মীয়ামগী লূপশিংনা মচিন লেংলকপদা চোংশিন্দুনা চরম মেৎলি। মখোয়বু হু-পাপ ওইনা লৌবিরি। চৈরকসিদা নোংশা-কৈদৌনা থৌরম্বা মীয়ামগীনি হায়বা লূপশিংগী মরক্তগী খরদি থেবদৌনা পুমতে-তেখিবসু য়াওরক্লে। মরমশিং অসিনা দেল্লীগী অঙম্বা-লুচিংবা 'জি-জু' না লোইজরবা মীয়ামগী মীহুৎশিংসিগী নীংবা থুংজনবা, মথম্মোয় পেন্না নুংঙাইজনবা হে ক্বাক্তা নহাক্না খুল্লোন্নরিবা অমসুং অকনবা লানফমশিং ওইরিবা ফৌগাকচাও ঈখাই, তোর্ব্বুং বাংলা, তেরাখোংশাংবী, ত্রোংলাওবী অমসুং কাংভাইনচিংবদগী নহাক্কী নামিবা নুংশিৎনা বোম অমসুং নোংমৈগী মখোল পুরক্লনুকো!

মথং চহী ২০২৪গী মার্চ নৎত্রগা এপ্রিলদা শোয়দনা পাঙথোক্লগদবা লোক সভাগী মীখলদা মণিপুরগী অনীখক্তা ঙাইরবা এম পি ২ গী মমলসে ওন্থোক্লা য়ামখ্রে। নরেন্দ্র মোদিনা অহুম্লক শুরকপা ওইনা লৈবাকসিগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরক্লবগী লম্বীদা অচৌবা মতেং ওইগদৌরিবনি। মতাংসি য়ৌশিল্লকপদদি পোইনুদা লৈখিদ্রবা অপোকপী মমাগী হকচাং ফাওবা ফৌরানা কুপশিন্দুনা থল্লগা লৌ খাওই অমসুং লোকই হায়বগী ফীভমদু শোয়দনা লাক্কদৌরিবনি। মরম অসিনা রিলিফ কেম্প, প্রি-ফেব্রিকেটেদ হাউস অমসুং টেম্পররি ক্বার্টরনচিংবদা লানগী মৈশা খাঙলক্লিবশিংগী কায়রবা থম্মোয়শিংবুসু থেমজিন্নবা হোৎনরগে। মশা-মশাগী মরমগী কন্সটিট্যুএন্সিশিংদা ভোটর লিষ্ট য়াওজরগসু রিলিফ কেম্পশিংদা অপাম্বা অমসুং থাদহন্নীংবা মীরেপশিংদা ভোট থাদবা য়াহন্নবা অখন্নবা পাম্বৈশিং পায়খৎহল্লগে। টেম্পররি পোল্লিং ষ্টেসনশিং মখোয়গীদমক থৌরাং তৌব্রা নৎত্রগা ওনলাইনদা অরোনবা ভোট ফোংনা থাদহনব্রা কৈনোমা তৌহল্লগে। সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন তাল্লিবা চিন-কুকি-মিজো নখোয়গী ফূরুপশিংসু ৱাখল তারো। ইলেক্সনদা নখোয়না হেক-হেক কান্নবা চোম্লপ-চোম্লপ লৌবদু অমুক্কসু য়ৌরক্কদৌরে। ঙাওশিন-ফৈজিন্নদুনা নোংমৈ-বোম কাপ্লকপা মতম খরদি লেপখো। ইলেক্সন লোইরগা অমুক মখা চত্থগেসু চত্থৌ। নখোয়গী লানবু চগৌ য়েংলক্লিবা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক্তি নকশিল্লক্লবা মীখলসিগীদমক মথুম-মরাং হৌরে। লাননা লান, ভোটনা ভোট হায়বদুগী ফীভমদা লাকপা হৌরক্লে। শিখি-নাখিবা, মাঙখিবা পূম্নমক কাউথোক্লদুনা খোইখা-লিনখা থানদনা ইলেক্সনবু তরাম্না ওকহন্নীংবগী খোইথুম্নরবা ৱাহৈশিং তাবা হৌরক্লে। অদুবু তমথীরবা লানগী কল্লবা মৈরিনা তাঙ্গোই তানা চাকখ্রবা মীওই কয়াগী ইমুংশিংদা ভোটকী ভিক্ষা নীবা চৎপদদি তুং-মাঙ য়েংহন্নীংই অমসুং চেকশিলহন্নীংই। হায়জ-নোঞ্জরুবদা ভোট পীরকপগী মহুত্তা লম্বোইবদা শমজেৎ পীবগী থৌদৌ তাহন্নীংদে। ভোটকী ভিক্ষাগী ঝুলিদা অরোনবা ভোটনি হায়দুনা মহু কনবা লিন ওইনা হাপ্পরক্লবদি মোংফম মশীং অমুক হেনগৎলক্কনিকো। মণিপুরগী খা মায়কৈগীদি 'ক্বাক্তা' নহাক্কী নামিবা নুংশিৎতা নোংমৈ-বোমগী মখোল পুরক্লনুকো।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৯

১) **''গর্গ-সংহিতা : মাধুর্য্য-খণ্ডম্''** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা ইথোকপগে?

২) **''মঙাল য়াওদ্রবা নুংথিল''** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

৩) **''এংগল্ কয়াদগী লৌদুনা য়েক্লবা
নঙগী শক্তম্শিংনা অৱাঙ্বা কলাগী
খূদোল্ ওইনা চীংলেম্না মফম কল্লি
মালেম্গী মচি মচিদা লৈরিবা আর্ট গেলেরিশিংদা।''** শৈরেং মতেক অসি শক্লাইরবা অইবা অমগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি। অইবসি কনানো অমসুং লৌথোরক্লিবা লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

৪) **''মল্লবা খাঙপোকশঙ''**হায়রিবা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী লাইরিক্নি। অইবসি কনানো?

৫) **''নুপী অমসুং মমিশিং''** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো অমসুং লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৮গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি

১) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স - (৩,৪,৫)
২) ব্রোজেন্দ্রো সোরোখাইবম, ইরমসিফাই মমাঙ লৈকায় - (১,৫)
৩) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় - (৩,৪,৫)
৪) হিজম অজেম, পাৎশোই পার্ট ৪ লাই হরাওবুং মনাক - (৩,৪,৫)
৫) অকোইজম নিকিতা, ক্বাকৈথেল কোঞ্জেং লৈকায় - (৩)
৬) থাংজম প্রেমকুমার, চরাংপাৎ মনীং লৈকায় - (১,২,৩,৪,৫)
৭) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (২,৩,৪,৫)
৮) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৩,৪,৫)

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৭৮গী ৱিন্নর

থাংজম প্রেমকুমার, চরাংপাৎ মনীং লৈকায় (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবা)

লিটরেরি ক্যুইজ ৭৮গী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৮গী পাউখুম

১) **''ঐখোয় নুপীগী অন্দোলন''** হায়বা ৱারীমচা অসি শক্লাইরবা অইবা অমগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি। অইবা অসি কনানো অমসুং লৌথোরক্লিবা লাইরিক্কী মমিং করিনো? **:- অইবা : লাইতোঞ্জম প্রেমচান্দ, লাইরিক্কী মমিং : ইমাগী ফনেক মচেৎ, অহানবা ফোঙবা : ওক্টোবর ১৯৯৬।**

২) **''পাউখুম ফংখিদ্রবা ৱাহং''** হায়রিবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো? লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে? **:- লাইরিক্কী মখল : রেডিও লীলা, মণিপুরীদা হন্দোকপা : খাঙেম্বম তোমচৌ, অহানবা ফোঙবা : জুলাই ২০১৮ ইং।**

৩) **''থম্বালগী লৈনম''** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবনো? **:- অইবা : হুইদ্রোম রাধাকান্ত সিংহ (নোভেল), অহানবা ফোঙবা : ২০২২।**

৪) **''বরাক তম্পাক্কী মরাইবক''** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্নো? **:- অইবা মোইরাংথেম সত্যবতি (শৈরেং), অহানবা ফোঙবা : ২০১৬।**

৫) **''কাইনগী থৈবোং''**হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো? **:- অইবা : শঙলাকপম অচৌ শর্ম্মা (লিরিকেল পোইমস), অহানবা ফোঙবা : ২০২৩।**

মনম

(করিগুম্বা মতমদা ৱারী ইনীংলকই। পাবীয়ু নুংঙাইরবদি পাউ ফাওবীরকউ।)

ৱাইরু-ৱাইরুবদা

নহান্দগীনি ঐনা লৈরিবা অখুবা কা মনুং অসিদা অকনবা অপূম অশাগী মনম অমা লৈখৎলক্লিবা অসি। কা অসিগী মনুংদা ঐনা লৈরক্লিবা অসি চহী ৫০ খরা হেল্লে। ঐগী হৌরিবা পাথরবা শম্না খরা অসিদা অমুবা শম্না মফৈ অমা য়াওদ্রে।

নুমিৎ হুমনিরোম অসি ঐ মপান থোকপা ঙমদ্রে। নহানমখৈদি পীক্লবা ইতোমতা লৈরিবা কা অসি থোইদোকপা মনম অমত্তা লৈরমদবনি। হৌজিক্তি কা অসিগী মপান্দা থোক্লবসু অপূম্বা মনম অমদি অসুম নল্লে। মায়কৈ খুদিংদা অপূম্বগী মনম অসি শন্দোকখ্রে। অসুক কনবা অপূম-অশাগী মনম অসি ঐনা ঐগী পূন্সিদা থেংনরক্তি।

রিটাইয়র্দ ওইবা চহী তরামঙা ফারে। ঐনা থবক্তগী পোথাদ্রিঙৈ মতমদুদা ঙসিগী নল্লিবা মনম অসি য়াম্না তাঙনা নল্লম্বনি।

'সার চে অসি থমজরল্লগে।'

'লুপা ১০০ থনম্মু।'

লুপা ১০০ চৎপী অদু লৌশিল্লগা ঐনা ঐগী ৱালেটতা হাপচিল্লি। ঐ মদুগুম্বা থবক অদু ইশাদা লায়চুখ্রে অমদি লমদম্নখ্রে। ঐগী ইতুং তারকপদা পুহৌবা কয়াসু ঐগা চপ মান্ননা মখা শমথহৌরে। ঐনা পেন্সন তান্নবা চৎপা মতমদা ইখা থাহৌবা ময়াম অদুদা ঐনা অমুক নোঞ্জবা হৌই। মতম অমদা ঐঙোন্দা মী অতৈনা নোঞ্জবগুম্না ঐনসু মখোয়দা অমুক হায়জরে। ঐনা মখোয়দা ৱা তপ্না তপ্না ঙাঙলদুনা ঐগী ফাইল প্রোসেস অদু থুনা লোইশিনবীনবা হায়জরম্মী।

কা মনুং অসিদগী ঐনা হেন্দোকপা ঙমদ্রিবা অসি শুপ্নতগী নুমিৎ হুমনিগী ৱাফমতনি। ঐগী নুপী অঙাং মরী-মতা পূম্বা অমত্তা অপূম্বা অসি থিবীনবা লৈত্রে। অপূম্বা মনম অসিগী মরকসিদা ঐ অসুম লেনবা তারে।

নোংমা নুংথিল অমা ঐনা শ্বর থবেৎ-থবেৎ হোনবমখৈ অপূম্বা অদু কাঙ্খ-লুকখাদা থিবা য়াবা থিরে। ঐ মদু থিবা ফংদ্রে। মদু থিবদা ঐ ৱাবনা লোইরে। নুমিৎ অদুমা ঐ চরাসু হেল্লে। অদুবু মদু ঐনা থিদবদি য়াদে। মনম অদুনা মরম ওইরগা ঐ শিবা শোয়দ্রবনি হায়না খল্লে।

ঐনা নুমিদাং ৱাইরমদা নুপা অমখক কৌদুনা মনম অদু কদাইদগীনো হায়না থিহল্লি। মহাক্না ইমুংগী কাচিন কোয়া থুংনা মনম অদু কোয়থি থিরম্মী। ঐনা হংই,

'নহাকসু মনম অদু থিবা ফংদ্রবরা?'

'ফংলে, সার।'

'অদুদি কদাইদা লৈ?'

'সার, ৱারৌবীবদি য়াদ্রে।'

'এহ, ৱারৌজরোই ৱারৌজরোই, হেক্তা হায়য়ু।'

'সার, মনম অসি সারদগীনি।' ●

হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ মোনজাম হৈ # ৪১৮

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার —
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট
ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

মপূং ফাবা অমদি ময়াম্না পাম্না চানবা হৈ অমা ওইদ্রবসু মোনজাম হৈ অসি মৈতৈ নৎত্রগা মীতৈশিংগী লাংবন-হৈশোয় কৎপদা তোয়না শীজিন্নবা হৈ মখল অমা ওইবগী মথক্তা হীদাক্কী ওইবা মগুণসু থোইদোক্লা য়াওবা পাম্বী অমনি। মোনজাম হৈ পাম্বী অসি ইংলিসতা ইন্দিয়ান চেষ্টনট (Indian Chestnut) নৎত্রগা চেষ্টনট ভাইন (Chestnut Vine) নৎত্রগা জাইন্ট গ্রেপ আইভি (Giant grape ivy) নৎত্রগা লিজার্দ প্লান্ট (Lizard plant) নৎত্রগা লিজার্দ ভাইন (Lizard vine) নৎত্রগা ৱাইল্ড গ্রেপ (Wild grape), মিজোদা থুর্পুই (Thurpui), নেপালদা চারাচারে লাহারো (Charachare laharo), অমিলদা পেরুমুরুলি (Perumuruli), বাংলাদেশিদা হোরিনা-লাতা (Horina-lata), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা তেত্রাষ্টিগমা ল্যুকোষ্টেফাইলম (Tetrastigma leucostaphylum (Dennst.) Alson) নৎত্রগা তেত্রাষ্টিগমা ম্যুরিকেতম Tetrastigma muricatum Gamble) নৎত্রগা সিসস ফেমিনি (Cissus feminea Roxb) নৎত্রগা সিসস ফোমিনা (Cissus foemina Steud) নৎত্রগা ভিতিস ম্যুরিকাতা (Vitis muricata Wall ex Wight & Arn.) নৎত্রগা ভিতিস সেরাতিফোলিয়া (Vitis serratifolia Wight & Arn.) হায়না কৌই অমসুং ভাইতেসী (Vitaceae) শাগৈগী মনুং চল্লি। শাগৈ অসিদা চনবা মরু ওইবা পাম্বী অমা হায়রগদি অঙ্গুর অসিনি। মোনজাম হৈ পাম্বীগী জিন্স তেত্রাষ্টিগমা হায়বসি গ্রীক্কী ৱাহৈদগী লৌথোকপনি অদুগা মদুগী ৱাহন্থোক্লা মচিন ৪ লোংবা ষ্টিগমা হায়বনি। পৃথিবীগী ওইনা জেনেরা অসিগী মনুংদা স্পিসিস ১০০ রোম লৈ। বোটানিকেল সর্ভে ওফ ইন্দিয়ানা কুমজা ২০০০দা পীখিবা পাউদমগী মতুংইন্না ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা মোনজাম হৈ পাম্বীগী ওইবা স্পিসিস ৭ হৌই। মখোয়শিং অদুদি - (১) তেত্রাষ্টিগমা ল্যুকোষ্টেফাইলম (T. leucostaphyllum), (২) তেত্রাষ্টিগমা ব্রেক্তিওলেতম (T. brateolatum), (৩) তেত্রাষ্টিগমা ওবক্টেকতম (T. Obtectum), (৪) তেত্রাষ্টিগমা রুমিসিস্পর্মম (T. runicispermum), (৫) তেত্রাষ্টিগমা সেরুলেতম (T. serrulatum), (৬) তেত্রাষ্টিগমা দুবিয়ম (T. dubium) অমসুং (৭) তেত্রাষ্টিগমা থোমসোনিয়ানম (T. thomsonianum) অসিনি।

মোনজাম হৈ হায়রিবা পাম্বী অসি মরী চৎপা অদুগা অথোৎপা মনাশিং পানবা পাম্বী অমনি। পাম্বী অসিগী তোপ-তোপ্পা মগুণ অমা হায়রগদি মনা অমদা নায়াৎ ৫ নৎত্রগা ৩ নৎত্রগা অমখক পানবা য়াই। পাউদমশিংগী মতুংইন্না মোনজাম হৈ পাম্বী অসি ইন্দিয়া, নেপাল, ভুটান, বাংলাদেশ, শ্রীলঙ্কা, ম্যান্মার, থাইলেন্দ, মলেসিয়া অমসুং জাভাগী মফমশিংদা মহৌশাগী ওইনা হৌজৈ। ইন্দিয়াগী মনুংদা মোনজাম হৈ হৌবা মফমশিংদি অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী অয়াম্বা মফমশিং মরু ওইনা মণিপুর, অসাম, মেঘালয়দা হৌবগী মথক্তা ওরিষা, কর্ণাটকা, অন্ধ্র প্রদেশ, টামিল নাদু অমসুং কেরলাদা মহৌশাগী ওইবা মওংদা হৌজৈ।

ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি মোনজাম হৈ পাম্বী অসি তম্পাক্কী মফমশিং, চীংখোঙ-চীংয়া অমদি অনেম্বা চীংগী মফমশিংদা অদুমক হৌবা থেংনৈ। কনাগুম্বশিংনসু পাম্বী অসি হৈকোল-লৈকোলশিং অমসুং য়ূমগী গল্লাশিংদা থাবা থেংনবীগনি। মোনজাম হৈ পাম্বী অসি লাবা অমসুং অমোমগী কয়াৎশিং অদু তোঙান-তোঙানবা পাম্বীশিংদা পাল্লি। অশাবা ত্রোপিকেল অমসুং খরা শারপ তৌবা সব-ত্রোপিকেলগী মফমশিংদা মোনজাম হৈ পাম্বী অসি মপূং ফানা হৌবা ঙম্মী। য়াম্না পূক্লিং চিংশিনীংঙাই ওইবা অমদা পৃথিবীদা হৌবা খ্বাইদগী চাউবা লৈ শাৎপা পাম্বী রাফ্লেসিয়া অর্নোলদাই (Rafflesia arnoldii) অসি মোনজাম হৈ পাম্বীদা পেরাসাইট হায়বদি শৈদাংদুনা হৌই।

মদজিগা (Mardziga) অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা কুমজা ২০১০দা পীখিবা পাউদমগী মতুংইন্না এলকালোইদশিং (Alkaloids), কার্দিয়ক গ্লাইকোসাইদশিং (Cardiac glycosides), কার্বোহাইদ্রেট (Carbohydrate), দাইতর্পিন্স (Diterpenes), রিদ্যুসিং সুগর্স (Reducing sugars), ফাইতোসটেরোলস (Phytosterols), সেপোনিন (Saponin), থাও (Fixed oils) অমসুং ফেট (Fat) অসি চাং ৱাংনা মোনজাম হৈ পাম্বীদা য়াওই।

মোনজাম হৈ পাম্বী অসি কুইরবা মতমদগী মখল-মখা কয়াগী অনা-লায়েংদা হীদাক ওইনা শীজিন্নরক্লি। বাংলাদেশকী মার্মা (Marma) কাঙলূপকী মীওইশিংনা মোনজাম হৈ পাম্বীগী মনা অমসুং মরা অদু চাং নাইনা লৌরগা শুগাইদুনা শেম্বা মলম অদুনা চাং নাইনা তৈদুনা অপোম-অতং মখল খরা লায়েংনবগী পাউদম লৈ। ত্রীপুরাগী ত্রাইবেলশিংনা অপোম-অতং তৌবদা অমদি কেন্সর মখল খরদা মোনজাম হৈ পাম্বীগী নৌতক তৌবা মনা অদু শুগাইরগা লৌবা মহী অদু নোংমদা অহুম্লক গ্লাস অমমমগী চাংদাদা থা অমরোমদ চাং নাইনা পীথক্তুনা লায়েংনবগী পাউদমসু লৈ। রুদ্র (Rudra) অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা কুমজা ২০২০দা পীখিবা পাউদম অমগী মতুংইন্না মোনজাম হৈ পাম্বীগী মরা অদু শুগাইরগা শেম্বা গুলি অদু চাং নাইনা পীজবদা অঙাংশিং চাউদম থিবা অদু থুনা চাউখৎহনবা ঙমহল্লি হায়বসিনি। অরিবা অনা-লায়েং খরদা মোনজাম হৈ পাম্বীগী মনা শুগাইরগা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা অরুম-লাইহৌ তৌবা লায়েংনবগী মথক্তা চাং নাইনা তৈদুনা অপাৎপা অদুসু লায়েংনৈ। খোঙ-খূত্তা ঈশিং পৈখৎতুনা পোমখৎপদা মোনজাম হৈ পাম্বীগী মনা অমসুং মরা অদু চাং মান্ননা লৌরগা শুগাইদুনা শেম্বা মলম অদুনা চাং নাইনা তৈদুনা লায়েংনবগী মথক্তা গাউট হায়না খঙনবা তাং-তাং চাউথোক্তুনা চীকপা-নাবা অসিদসু লায়েং হীদাক ওইনা শীজিন্নৈ। কনাগুম্বা মীওই অমনা মোরোক য়াম্না চাশিনবদগী পুক নাবা অমদি থজিন শাওগৎপদা মোনজাম হৈ পাম্বীগী নৌতক তৌবা মনা অদু ঈশিংদা শুগাইরগা লৌবা মহী অদু পীথকপদা থোইদোক্লা কান্নগনি। চকমা (Chakma) মীওই কাঙলূপ অসিনা মোনজাম হৈ পাম্বীগী মনা অমসুং মউ অদু চাং মান্ননা লৌরগা তকখাইরগা শেম্বা গুলি (Tablet) অদু চাং নাইনা পীজদুনা পূক্লিং-ৱাখলগী লায়না লৈবা মীওইশিং লায়েংনবগী পাউদম লৈ। মলেসিয়া, ইন্দোনেসিয়া অমসুং ভিএটনামদদি মোনজাম হৈগী মনা শুগাইরগা শেম্বা মলম অদুনা তৈদুনা কোক চিকপা অমদি অরুম-লাইহৌ তৌবা অদু লায়েংনৈ। মোনজাম হৈগী মনা অদু মিথানোল (Methanol) হায়রিবা য়ু অদুদা শুগাইরগা শেম্বা মলম অদু তৈবদা খুদক্কী ওইবা অশোক-অপনদা ঈ থোকপা খকহনবা ঙম্মী। ●

মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা' (নিংথৌরোল লম্বুবা)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা
লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু
নুমিৎ খুদিংগী লমাই অসিদা ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

হললকপবুদি তেরকপা ও ৱাহায়নৈয়ে। মৈদিংঙু মনাই অথোইবা। কদেম শোইশেলবদি তোৎলে শিরে। হৌরেল তেরক হললকপদা। মকোক লুরেল লুরক ককনা লৌরসে। হুনদোলমনা থনমমে। অদু নুমিৎতগী। লমলেল খোমবীতোৎ ও। মিংথোল মিংকৌয়ে। ময়ুম শেললোই লংমাইনা। তুরেল খামপা লানথোকনা। কৌব্রু ঈরোং লান। লমবী তুপনা চৎখিয়ে। নোংপাল কদেম শোইশেলবদি। ঈনুং অহিং শোইয়াইমা। অহিং নোংয়াই চবুকতা। খোংহৌ খোংজেল য়াংনা অচেন লোকলৌ হুমাং হৌনা। চেনখৎলকনা। লাইরেল মৈদিংঙু সনা মখোঙখা। মনাক য়ৌনা চেলকতুনা। নিংথৌ শেলবা মদাইরেম। ফৈতা অঙমবা। নাইফা থোঙখৈ পুনা ঙাকপা। ঙাইনু মথোঙচিন ঙাকপবু য়াহৌদোকখিয়ে। শঙগাই থোঙলেল হাংদোক। চারা পৌরোন থোঙহাংবীয়ো। লাইরেল মৈদিংঙু ইনিংথৌ ইবুংঙো ও আ তাবী ও। খোমলেল য়াতা তুমকননা লৈবীরগনো। য়াহৌবীরো। ময়ুম শেললোই লংমাইনা। থাঙঙা য়ৌখাল লালদাগে। খুলফম ঙাংচেং হুয়েল লালঙমগে। হাওকপ চীঙশাং লালথেং লালনৈগে। হায়না হুয়েল লালহৌখরে। নদাইরেম ঐহাকসু পায়মা ইনিংশা শৎনা। থিংনা হোলনা। অশিবা শানা নানথোকলকয়ে। হায়না হুয়েল লালপাও তমলবদগী। নবুথৌ মৈদিংঙুনা। কংলা য়াইপুঙ মরাং হৌনা য়ৈনা থীললে। মদাইরেম পোইরৈ অথৌ লিচা হেপপা। ৱাংঙম থায়াঙ কোলদাই লোলনা। ঙমখৈ ঙাকপা অঙম অথৌশিং কারকলবদা। ●

ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ' (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ
ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯁꯨ
ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯂꯃꯥꯏ ꯑꯁꯤꯗꯥ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯗꯖꯔꯒꯅꯤ॥)

ꯍꯜꯂꯛꯄꯕꯨꯗꯤ ꯇꯦꯔꯛꯄ ꯑꯣ ꯋꯥꯍꯥꯌꯅꯩꯌꯦ॥ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯃꯅꯥꯏ ꯑꯊꯣꯏꯕ॥ ꯀꯗꯦꯝ ꯁꯣꯏꯁꯦꯜꯂꯕꯗꯤ ꯇꯣꯠꯂꯦ ꯁꯤꯔꯦ॥ ꯍꯧꯔꯦꯜ ꯇꯦꯔꯛ ꯍꯜꯂꯛꯄꯗꯥ॥ ꯃꯀꯣꯛ ꯂꯨꯔꯦꯜ ꯂꯨꯔꯛ ꯀꯛꯅꯥ ꯂꯧꯔꯁꯦ॥ ꯍꯨꯟꯗꯣꯜꯃꯅꯥ ꯊꯟꯃꯃꯦ॥ ꯑꯗꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠꯇꯒꯤ॥ ꯂꯝꯂꯦꯜ ꯈꯣꯝꯕꯤꯇꯣꯠ ꯑꯣ॥ ꯃꯤꯡꯊꯣꯜ ꯃꯤꯡꯀꯧꯌꯦ॥ ꯃꯌꯨꯝ ꯁꯦꯜꯂꯣꯏ ꯂꯡꯃꯥꯏꯅꯥ॥ ꯇꯨꯔꯦꯜ ꯈꯥꯝꯄ ꯂꯥꯟꯊꯣꯛꯅꯥ॥ ꯀꯧꯕ꯭ꯔꯨ ꯏꯔꯣꯡ ꯂꯥꯟ॥ ꯂꯝꯕꯤ ꯇꯨꯞꯅꯥ ꯆꯠꯈꯤꯌꯦ॥ ꯅꯣꯡꯄꯥꯜ ꯀꯗꯦꯝ ꯁꯣꯏꯁꯦꯜꯂꯕꯗꯤ॥ ꯏꯅꯨꯡ ꯑꯍꯤꯡ ꯁꯣꯏꯌꯥꯏꯃꯥ॥ ꯑꯍꯤꯡ ꯅꯣꯡꯌꯥꯏ ꯆꯕꯨꯛꯇꯥ॥ ꯈꯣꯡꯍꯧ ꯈꯣꯡꯖꯦꯜ ꯌꯥꯡꯅꯥ ꯑꯆꯦꯟ ꯂꯣꯛꯂꯧ ꯍꯨꯃꯥꯡ ꯍꯧꯅꯥ॥ ꯆꯦꯟꯈꯠꯂꯛꯅꯥ॥ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯁꯅꯥ ꯃꯈꯣꯡꯈꯥ॥ ꯃꯅꯥꯛ ꯌꯧꯅꯥ ꯆꯦꯜꯀꯇꯨꯅꯥ॥ ꯅꯤꯡꯊꯧ ꯁꯦꯜꯂꯕ ꯃꯗꯥꯏꯔꯦꯝ॥ ꯐꯩꯇꯥ ꯑꯉꯝꯕ॥ ꯅꯥꯏꯐꯥ ꯊꯣꯡꯈꯩ ꯄꯨꯅꯥ ꯉꯥꯛꯄ॥ ꯉꯥꯏꯅꯨ ꯃꯊꯣꯡꯆꯤꯟ ꯉꯥꯛꯄꯕꯨ ꯌꯥꯍꯧꯗꯣꯛꯈꯤꯌꯦ॥ ꯁꯉꯒꯥꯏ ꯊꯣꯡꯂꯦꯜ ꯍꯥꯡꯗꯣꯛ॥ ꯆꯥꯔꯥ ꯄꯧꯔꯣꯟ ꯊꯣꯡꯍꯥꯡꯕꯤꯌꯣ॥ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯏꯅꯤꯡꯊꯧ ꯏꯕꯨꯡꯉꯣ ꯑꯣ ꯑꯥ ꯇꯥꯕꯤ ꯑꯣ॥ ꯈꯣꯝꯂꯦꯜ ꯌꯥꯇꯥ ꯇꯨꯝꯀꯟꯅꯥ ꯂꯩꯕꯤꯔꯒꯅꯣ॥ ꯌꯥꯍꯧꯕꯤꯔꯣ॥ ꯃꯌꯨꯝ ꯁꯦꯜꯂꯣꯏ ꯂꯡꯃꯥꯏꯅꯥ॥ ꯊꯥꯡꯉꯥ ꯌꯧꯈꯥꯜ ꯂꯥꯜꯗꯥꯒꯦ॥ ꯈꯨꯜꯐꯝ ꯉꯥꯡꯆꯦꯡ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯂꯥꯜꯉꯃꯒꯦ॥ ꯍꯥꯑꯣꯛꯄ ꯆꯤꯡꯁꯥꯡ ꯂꯥꯜꯊꯦꯡ ꯂꯥꯜꯅꯩꯒꯦ॥ ꯍꯥꯌꯅꯥ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯂꯥꯜꯍꯧꯈꯔꯦ॥ ꯅꯗꯥꯏꯔꯦꯝ ꯑꯩꯍꯥꯛꯁꯨ ꯄꯥꯌꯃꯥ ꯏꯅꯤꯡꯁꯥ ꯁꯠꯅꯥ॥ ꯊꯤꯡꯅꯥ ꯍꯣꯜꯅꯥ॥ ꯑꯁꯤꯕ ꯁꯥꯅꯥ ꯅꯥꯟꯊꯣꯛꯂꯛꯀꯌꯦ॥ ꯍꯥꯌꯅꯥ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯂꯥꯜꯄꯥꯑꯣ ꯇꯃꯜꯂꯕꯗꯒꯤ॥ ꯅꯕꯨꯊꯧ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨꯅꯥ॥ ꯀꯪꯂꯥ ꯌꯥꯏꯄꯨꯡ ꯃꯔꯥꯡ ꯍꯧꯅꯥ ꯌꯩꯅꯥ ꯊꯤꯜꯂꯦ॥ ꯃꯗꯥꯏꯔꯦꯝ ꯄꯣꯏꯔꯩ ꯑꯊꯧ ꯂꯤꯆꯥ ꯍꯦꯞꯄ॥ ꯋꯥꯡꯉꯝ ꯊꯥꯌꯥꯡ ꯀꯣꯜꯗꯥꯏ ꯂꯣꯜꯅꯥ॥ ꯉꯃꯈꯩ ꯉꯥꯛꯄ ꯑꯉꯝ ꯑꯊꯧꯁꯤꯡ ꯀꯥꯔꯛꯂꯕꯗꯥ॥ ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্কা মরী লৈনদে।